## য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬

# ইংলেন্দবু আইসলেন্দনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা চহী চা অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ইকাইবা মওংদা মায়থিবা নংখ্রে





ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিরবা মতুং আইসলেন্দগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা

*নিস, জুন ২৮ ঃ*

ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সপ ২০১৬ কী অরোইবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ফুটবোলগী লমদা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী কা–হেন্না ঙাওজবা ইংলেন্দবু টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী অপীকপা লৈবাক অমা ওইনা অহানবা ওইনা য়ুরো ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়ারকখিবা আইসলেন্দনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ১৯৫০ ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলদা য়ু এস এ গী মখুত্তা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা নংখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক মায়থিখিবা অদুনা চহী চা অসিদা ইংলেন্দনা খ্বাইদগী ইকাইনিংঙাই ওইবা মওংদা মায়থিবা মেটচ অমা ওইখ্রে।

মীশিং ৩,৩০,০০০ খক লৈবা আইসলেন্দ লৈবাক্লা হন্দক্কী চহী অসিদা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ইতিহাসতা অহানবা ওইনা য়ুরো ফুটবোল ক্বালিফাই ওইদুনা শান্নরক্লবা মতুং ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা অসি মখোয়গী ওইনদি হায়নিংঙাই লৈতনা ফজবা তাঞ্জা অমা ওইরক্লি।

ইন্দিয়াগী মতমদা ঙসি নোংয়াই মতুং পুংখায় অমা চঙলকপা ইংলেন্দগা আইসলেন্দগা চথরিবা য়ুরো ২০১৬ কী অরোইবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল নোকআওট ষ্টেজগী মেটচ অদু শান্নখি।

ইংলেন্দগী টিমদা শরুক য়ারিবা রোবিন ষ্টরলিংনা বোল অমা পুশিনদুনা আইসলেন্দগী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা আইসলেন্দগী গোল কিপরনা নিয়ম লান্না বোল মুন্নবা হোৎনবদা ষ্টরলিং তুখিবদগী পেনাল্টি অমা রেফরিনা ইংলেন্দদা পীখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ৱেন রুনিনা পেনাল্টি অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী মিনিট ৪ লোইশিল্লকপদা আইসলেন্দবু মখোয়না পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

আইসলেন্দগী মায়কৈদগী রাগনর সিগুর্দসন্না ইক্কেলাইজর অদু য়াম্না থুনা মিনিট ২ গী মনুংদা হন্দাক্তুনা ইংলেন্দগা মান্নলা লৈরকখি। সিগুর্দসনগী ইক্কেলাইজর অদু মহাক্কী টিমমেট কারি অর্নসন্না টিম অদুগী মায়কৈদগী লাকখিবা থ্রো–ইন বোল অমা ফ্লিক তৌদুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবনি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং আইসলেন্দগী মায়কৈদগী মখা তানা এটেক চৎথবা হেনজিল্লকখি। ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিংগী অশোয়বা তাঞ্জা অদুবু লৌরগা আইসলেন্দগী কোলবিন সিকটোর্সোন্না কাউশিনখিবা সোট অমা ইংলেন্দগী কিপর হার্টনা ফাবা ঙমহৌদবদগী ২–১ দা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফতদি আইসলেন্দগী মায়কৈদগী পাঙ্গল লৈনা দিফেন্স মশান্না অদুদা ইংলেন্দ পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা মায়থিহৌখি।

জুলাই ৩ দা আইসলেন্দনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুম্বু ফ্রান্সকা লম্বা তৌনরগনি।


মায়থিবদা পেলহৌদ্রবা ইংলেন্দগী শান্নরোই অমা (জর্সি নম্বর ৫)

**Euro Cup 2016 Knock-Out Result**

| Date | Match | Score |
|---|---|---|
| 28/06/2016 | Iceland bt England | 2-1 |

**EURO CUP 2016 QUARTER FINAL LINE-UP**

| Day / Date | Match | Time | Venue |
|---|---|---|---|
| Thursday, June 30 | Poland v Portugal | 01.30AM IST | Marseille |
| Friday, July 01 | Wales v Belgium | 01.30AM IST | Lille |
| Saturday, July 02 | Germany v Italy | 01.30AM IST | Bordeaux |
| Sunday, July 03 | France v Iceland | 01.30 AM IST | Paris |

## ৱিম্বলদন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# মালেমগী মকোক থোংবা নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোইশিং মখোয়–মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং থোইখ্রে




*লন্দন, জুন ২৮ ঃ*

মালেমগী মকোক থোংবা নুপা অমসুং নুপীগী টেন্নিস শান্নরোইশিংনা লন্দনদা চথরিবা চহী অসিগী অহুমশুবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে, স্বিজরলেন্দগী ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি রোজর ফেদরর, লৈবাক অদুমক্কী ৱার্ল্ড নম্বর ফোর শান্নরোই ষ্টানিস্লাস ৱারিঙ্কা, ৱার্ল্ড নম্বর ফাইভ জপানগী কৈ নিসিকোরি, ৱার্ল্ড নম্বর সিক্স কানাদাগী মিলোস রাউনিক, ৱার্ল্ড নম্বর সভেন ফ্রান্সকী রিচার্দ গাস্কি অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর নাইন ক্রোএসিয়াগী মার্লিন সিলিকনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান য়ু এস এ গী সেরেনা ৱিলিয়মস, ৱার্ল্ড নম্বর ফোর জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর, ৱার্ল্ড নম্বর ফাইভ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর সিক্স ইটালিগী রোবার্টা ভিন্সিনি।

গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অতোপ্পা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোই এল ব্রোদিবু ৬–২, ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী য়ু লুগা থেংনরগনি।

অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই রোজর ফেদররনা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই জি পেলাবু ৭–৬ (৭–৫), ৭–৬ (৭–৩), ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী এম ৱিলিসকা লম্বা তৌনরগনি।

মরিশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই ষ্টান ৱারিঙ্কানা য়ু এস এগী টি ফ্রিটসপু ৭–৬ (৭–৪), ৬–১, ৬–৭ (২–৭), ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী জে এম দেল পোট্রোগা থেংনরগনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ৫ শুবা সিদেদ ওইরিবা জপানগী শান্নরোই কৈ নিসিকোরিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ওস্ট্রেলিয়াগী সাম গ্রোথপু ৬–৪, ৬–৩, ৭–৫ তা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই জে বেনেটোগা লম্বা তৌনরগনি।

কাঙলুপ অসিগী ৬ শুবা সিদেদ ওইরিবা কানাদাগী মিলোস রাউনিক্লা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা পি করেনো বুষ্টাবু ৭–৬ (৭–৪), ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী শান্নরোই গুইলরমো গার্সিয়া লোপেজগা লম্বা তৌনরগনি।

কাঙলুপ অসিদা শরুক য়ারিবা ওস্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগ্রিয়োসনা অহানবা রাউন্দদা ঙসি জেক রিপব্লিক্কী রাদেক ষ্টিপানেকপু ৬–৪, ৬–৩, ৬–৭ (৯–১১), ৬–১ দা থোইবা ঙমদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী দি ব্রাউন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ফ্রান্সকী রিচার্দ গাস্কিনা গ্রেট বৃটেনগী এদেনিবু ৬–৩, ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী এম গ্রানোলর্সকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সেরেনা ৱিলিয়মসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্বিজরলেন্দগী এ সাদিকোভিসপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ু এস এ গী শান্নরোই সি মেকহেলগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোই এফ রোপসনবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীবদগী অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এ গী ভি লেপচেনকোগা শান্নরগনি।

৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভাকিয়াগী এ কে স্মিদোভাবু ৬–৪, ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী শান্নরোই ফ্রান্সিস্কা স্কিয়াভোনিগা লম্বা তৌনরগনি।

৬ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইটালিগী আর ভিন্সিনা য়ু এস এ গী এ রিস্কেবু ৬–২, ৫–৭, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই ৱাই দুৱানগা লম্বা তৌনরগনি। দুৱান্না মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী কে প্লিজকোভাবু ৬–৩, ৩–৬, ৭–৫ তা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ অসিদা শরুক য়ারিবী হন্দক্তা ইষ্টবোর্ন টাইটল লৌবা ঙমখিবী স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ক্রোএসিয়াগী এম লুসিক বারোনিবু ৭–৫, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ওস্ট্রেলিয়াগী দি গ্রাভিলোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এস এ মেডিসন কিজসু মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী এম সিকমুনবু ৬–৩, ৬–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী কে ফ্লিপকেনগা থেংনরগনি।


ৱিম্বলদনগী মেটচ অমদা নিক ক্রাইগিয়োস (য়েৎ) না জেক রিপব্লিক্কী রাদেক ষ্টিপানেকপু থোইখিবা মতাং অমা

# ইন্দিয়াগী রাজপুট ৱার্ল্ড কপ্তা সিলভর মেডল ফংহৌরে

*বাকু, জুন ২৮ ঃ*

ব্রাজিলগী রিও ওলিম্পিক গেমসকী মাঙওইননা অজরবাইজানগী সহর বাকুনা পাঙথোকপা আই এস এস এফ কী ৱার্ল্ড কপ নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসনগী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর সঞ্জিব রাজপুটনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রে।

রাইফল থ্রি পোজিসনগী ইভেন্ট অসি সুট্টর অমনা খুউ কুল্লগা কাপ্পা, লেপ্পগা কাপ্পা অমসুং হিপ্পগা কাপ্পা পোজিসন ৩ দনি। ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সঞ্জিব রাজপুট পোইন্ট ১১৬৭ ফংলগা ৭ শুবা শান্নরোই ওইনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকখিবনি।

মহাক্লা ফাইনেল রাউন্দ অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা পুন্না পোইন্ট ৪৫৬.৯ কাপ্পগা সিলভর মেডল অদু ফংখি।

কম্পিটিসন অদুগী গোল্ড মেডল অদুনা ক্রোএসিয়াগী পিটর গোরসানা পোইন্ট ৪৫৭.৫ ফংলগা লৌখি। অমরোমদা সাউথ কোরিয়াগী হিয়োনজুন কিম্মা ৪৪৫.৫ কাপ্পগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌখি।


আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ্তা সিলভর ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী রাজপুট


# প্রসিদেন্ট অমসুং মরাদোনানা মেসিগী পোৎখাবগী ৱারেপ অমুক খন্থহনবা পাল্লি

*বিনোস আইরেজ, জুন ২৮ ঃ*

নোংমাইজি নুমিৎতা চিলিগী মখুত্তা পেনাল্টি সুট আওটতা মায়থিখ্রবা আর্জেন্টিনা টিমগী কেপ্টেন লিওনেল মেসিনা মহাক ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী পোৎখারগনি হায়না লৌখিবা ৱারেপ অদু আর্জেন্টিনাগী প্রসিদেন্ট অমদি লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোই দিএগো মরাদোনানা ৱারেপ অদু অমুক হন্না খন্থরগা হন্দোক্লবগী অপান্বা ফোঙদোরক্লি।

মেসিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্লা আর্জেন্টিনা লৈবাক্কী ফুটবোল টিমদা শরুক য়াদুনা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ৪ শরুক য়াদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবা মতুং টাইটল অমফাওবা লৌবা ঙমদবা অসিনা মরম ওইরগা মহাক্লা আর্জেন্টিনাগী টিমদা য়াওদুনা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টতা শান্নবা য়াওররোই হায়খিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি চিলিগা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু টাই ব্রেক কাউনবদা মেসিনা আর্জেন্টিনাগী অহানবা কিক অদু চনবা ঙমহৌদবদা টিম অদু মায়থিবগী লম্বেলদা চঙখিবনি।



# ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দগী ক্রিকেট সেরিজগী সেদ্যুল লাওথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ২৮ঃ*

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ন্যু জিলেন্দ ক্রিকেট টিম্না ইন্দিয়াদা টুর লাক্কুনা সেপ্টেম্বর ২২ দগী ওক্টোবর ২৯ ফাওবা চথগদবা ক্রিকেট সেরিজ অদুগী সেদ্যুল লাওথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ন্যু জিলেন্দগা টেষ্ট মেটচ ৩ অমদি ৱান দে মেটচ ৫ শান্নগদৌরি। ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবা সেরিজ অসিনা ইন্দিয়াগী হোম সেরিজশিংগী মনুংদা অহানবনি। ২০১৬–১৭ সিজনগী ওইনা ন্যু জিলেন্দগী মতুংদা ইন্দিয়ানা ওস্ট্রেলিয়া অমসুং বঙ্গলাদেশকসু য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরি।

ন্যু জিলেন্দগী ক্রিকেট টিম্না ইন্দিয়াদা টুর লাক্লম্বা অদু ২০১২ দনি। হায়রিবা চহী অদুগী সেরিজ অদুদা ইন্দিয়ানা ২–০ সেরিজ অদু থোইখি। অদুবু মেটচ অনীগী টি–২০ অদুদি ন্যু জিলেন্দনা ১–০ দা থোইখি।

সেপ্টেম্বর ২২ দগী ২৬ ফাওবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু কানপুরদা লৈবা গ্রিন পার্কতা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচ অদুনা সেপ্টেম্বর ৩০ দগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা কোলকতাগী ইদেন গার্দেন্সতা শান্নগনি।

অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দোরগী হোলকার ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

ৱান দে মেটচ ৫ গী অহানবা অদু ওক্টোবর ১৬ তা হিমাচল প্রদেশকী ধর্মশালাদা শান্নগনি। অনীশুবা ৱান দে অদুনা ওক্টোবর ১৯ দা ন্যু দিল্লিগী ফিরোজ কোট্লা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অদুনা পঞ্জাবগী মোহালি সহরদা লৈবা পি সি এ ষ্টেদিয়মদা শান্নরগা ৪ শুবা ৱান দে অদুনা বিহারগী রাঞ্চি সহরদা লৈবা জে এস সি এ ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি লোয়ননা অরোইবা ৱান দে অদুনা ওক্টোবর ২৯ দা বিশাখাপত্নমদা লৈবা রাজাশেখরা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

# আই আই টি কানপুরনা আনন্দদা ডাক্তরেট দিগ্রি পীখ্রে

*কানপুর, জুন ২৮ঃ*

ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন ৫ রক ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দবু কানপুরদা লৈবা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি) গী ৪৯ লক শুবা কনভোকেসন সেরেমোনিদা ‘ওনোরিস কোসা’ ডাক্তর ওফ সাইন্স অদু খুৎশিন্নখিবনি।

ডাক্তরেট দিগ্রি অদু চহী ৪৯ শুরবা আনন্দদা এন আই টি আই গী চিয়ারমেন আর্বিন্দ পনাগরিয়ানা খুৎশিন্নখি। নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ১৯৮৫ দা আনন্দবু আর্জুনা এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখিবনি। মদুগী মতুং ১৯৮৭ দা আনন্দনা ইন্দিয়াগী অহানবা গ্রান্দমাষ্টর শান্নরোই ওইখিবনি।

ডাক্তরেট দিগ্রি অদু লৌরবা মতুং আনন্দনা ফোঙদোকখিবদা ইন্সটিট্যুট অদুগী মহৈরোইশিংনা মখা তাবা গ্রেজুয়েসন লোইরবা মতুংগী লম্বেল য়াৎথোক্কদবনি হায়খি।



# অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা আয়রলেন্দবু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা মরিশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে

*ভেলেন্সিয়া, জুন ২৮ ঃ*

স্পেনগী সহর ভেলেন্সিয়াদা চথরিবা লৈবাক ৬ কী ইনভিটেসনেল মেন্স হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি নিনিশুবা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ অনীদা পোইন্ট ৩ ফংখিবদগী পোইন্ট টেবলদা ৪ শুবদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সরদার সিংহনা লুচিংদুনা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা চথগদৌরিবা রিও ওলিম্পিক্কী শেম–শাবা ওইনা শান্নরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা আয়রলেন্দনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

আয়রলেন্দগী মায়কৈদগী কেলগুদনা শান্নবগী ৪ শুবা মিনিটতা য়াম্না ফজবা টিমমেট মিকি ৱাকনা খাইরকপা বোল অমনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি আয়রলেন্দগী টিম অসিনা মখোয়গী অহানবা মেটচ শান্নখিবদা আর্জেন্টিনাগী মখুত্তা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা নংখিবনি অদুগা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মখোয়গী অহানবা মেটচতা জর্মনিগী মখুত্তা পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা নংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মেডল ফংনবগী লম্বেলদা ঙসিগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা থোইদবা য়াদবনি।

অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লবা ফাওবদা আয়রলেন্দনা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নবা হৌরকপগী ৫ শুবা মিনিটতা মেটচ অদুগী অহানবা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। পেনাল্টি কোর্নর অদু য়ৈশিনখিবদা আয়রলেন্দগী মায়কৈদগী থক্তোরকখি। অদুবু থক্তোরকপা বোল অদু ইন্দিয়াগী টলৱিন্দর সিংহনা অমুক হন্না য়ৈশিন্দুনা ইক্কেলাইজর অদু ওইবা ঙমখি।

পাঞ্জল ১–১ মান্নদুনা টিম অনীমক মেটচকী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি। অহুমশুবা ক্বার্টর হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্দিয়াগী ভি আর রঘুনাথনা য়ৈশিল্লকপা বোল অমা কেপ্টেন সরদার সিংহনা নিয়ম চুম্না দিফ্লেক তৌহনখিবদগী ইন্দিয়ানা ২–১ দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

৩৫ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা য়ৈশিনখিবা পেনাল্টি কোর্নরগী সোট অমা আয়রলেন্দগী কিপর দেবিদ হার্টেনা য়াম্না ফজনা ঙাকথোকখিবদগী ইন্দিয়াগী ৩ শুবা পাঞ্জল অদু ওইবা ঙমখিদবনি।

অরোইবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল হেল্লবা ইন্দিয়ানা মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা কন্না হোৎনখিবা অদু উপায় লৈখিদে। মেটচ অদু পাঞ্জল ২–১ দা ইন্দিয়ানা আয়রলেন্দবু থোইখি।


ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন সরদার সিংহনা আয়রলেন্দগা শান্নখিবা মেটচ অমদা সোট অমা তৌনবা থৌরাং তৌখিবা

**POINT TABLE**

| Team | Pld | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Germany | 1 | 1 | 0 | 0 | 4 | 0 | +4 | 3 |
| Spain | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 0 | +2 | 3 |
| Argentina | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| India | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 5 | -3 | 3 |
| New Zealand | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 2 | -2 | 0 |
| Ireland | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 6 | -5 | 0 |




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*